# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-09-2024)**

**ইরাবত (এল) ঃ** জননেতা হিজম ইরাবত নুমিৎ ঙসি মনিপুর অমসুং মনিপুরগী মপানদা মীতৈশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদা পাক শন্না পাঙথোক্লি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী থাংমৈবন্দ লিলাশিংখোঙনাংখোংদা লৈবা ইরাবত স্কোয়রদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা হিজম ইরাবতকী মুর্ত্তিদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৮ লক শুবা মপোক ক্মওনগী থৌরম ইরাবত সেলেব্রেসন কমিতিনা শিনদুনা ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোক্কনি। মনিপুর পিপলস ফ্রন্টনা শিনদুনা ন্যু চেক্কোনদা লৈবা মসিগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি।

ইরাবত ডেগী মাংওইননা লৈকাই লৈকাইশিংদা লম তু শেংবগী থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

**পুলিস (এল) ঃ** মীতৈ নহা অনি কুকিশিংনা কাংপোকপী জিলাদগী থা অসিগী ২৭ তা ফাখি হায়বা থৌদোক্কা মরী লৈননা মনিপুর পুলিসনা থিবা খঙদনা লৈরিবা নহা অনি অসিবু কন্নবা থবকশিং লৌখৎলি।

মনিপুর পুলিসনা সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-মরী লৈনবা ওফিসারশিংনা হীরম অসি কুপা য়েংশিল্লি। অমরোমদা, চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌসেনফাই অমসুং ক্বাক্তা ৱার্ড নম্বর আইটকী লোন্নবা মফমদা মনিপুর পুলিস, লান্মী অমসুং সি.আর.পি.এফনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি. অনি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, নাইন

এম.এম. পিষ্টোল অহুম, গ্রেনেদ অমা, পোম্পী অনি অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে টুদা তঙাইফদনা চংবা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ৫১২ অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখ্রে।

**রাজভাবন (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসনগী নৌনা খল্লবা চেয়ারপার্সন-টি. রঞ্জিৎ সিংহনা ঙরাং রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচ্যারিয়াগা উন্নখ্রে।

ভারত্তিয়া কিষান সঙ্ঘগী মীহুৎশিংনসু রাজ্যপালগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা সঙ্ঘগী মীহুৎশিংনা বিষ্ণুপুর জিলাদা শঙ্গোমগী পোৎথোক পুথোক্লিবা অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকপগা লোয়ননা রাজ্যপালনা মতেং পাংবীনবা হায়জখি।

শকয়েং মিংশেলগী মীহুৎশিংনসু রাজ্যপালগা উন্নদুনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সোলো আর্ট ইগজিবিসনদা শরুক য়াবীনবা বার্ত্তন তৌখি।

**থৌবাল (এল) ঃ** হৌখিবা তাং ২৭ তা নোংচুপ কৈথেলমানবীদা এস.এস.সিনা লৌবা কন্সটেবল জি.দিগী ফিজিকেল টেষ্ট য়াওবা চৎখিবা থৌবাল খেকমন মনিং লৈকাই নিংথিবী খোঙদগী নিংঙোম্বম জোন্সন পুলিসনা মহাক্কী ইমুং মনুংদা ঙরাং শিন্নরকখ্রে হায়রি। মহাক অসাম রাইফলসনা কল্লবা মতুং মনিপুর পুলিসতা শিন্নরকখিবনি।

**এআর (এল) ঃ** স্বাচছতা হি সেভা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা অসাম রাইফলসনা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী মাইবম খুলদা লম-তুম শেংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, অকোইবগী ফিভম লু-নান্না থমবনি।

কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা ককচিং জিলাগী ককচিং লমখাইদসু লম তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিসিএলশিংনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা গ্রেস কোটেজ স্কুলগী মহৈরোহশিংগা লোয়ননা ককচিং লমখায়গী পরিং শেংদোকপগী থৌরম চথুখি।

**এৱার্ড(এল)ঃ** মনিপুর যুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী সিলভর জুব্লি অমসুং লৌবুকতোংবম শ্যামদেব শর্ম্মা নীংশিং মনা -২০২৪, ঙরাং ইম্ফালগী রুপমহল ঠিয়েটরদা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ঠিয়েটরগী লমদা শকখঙলবা ক্ষেত্রিময়ুম রন্ধোনি দেবী অমসুং লোইতোংবম ব্রজামোহোন সিংহদা শ্যামদেব শর্ম্মা নীংশিং মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মনা অসি লৌবুকতোংবম ভুবনেশ্বোরি দেবী অমদি মচিন-মৌপৱানা মখোয়গী লৈখিদ্রবা মপা ইবুংঙো লৌবুকতোংবম শ্যামদেব (শ্যামো) গী মিংদা কৎপনি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা অখন্নবা ড্রামা-লাইজা উৎখি।

**জম্মুঃ** জম্মু কাশ্মিরদা মীখলগী কোর্ড ওফ কন্দক্টকী চৎন কাঙলোন থুগায় হায়বগা মরী লৈননা সরকারগী ওফিসিএল ২৩ সসপেন্দ তৌখ্রে। লুপা কোতি ১৩০ রোমগী পোৎলমশিং ফাগৎলে।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়-মীখলগী মোদেল কোর্ড ওফ কন্দক্ট থুগায়বগীদমক জম্মু কাশ্মির ইলেক্সন ওফিসনা কর্ম্মচারি ২৩ সসপেন্দ তৌখি অমসুং কন্ত্রেক্তা থবক তৌবা মীওই তরুকা মখোয়গী কন্ত্রেক ককখি। মসিগী মথক্তা কর্ম্মচারি ২০ মখোয় মখোয়গী পোষ্টিং মফমদগী অতোপ্পা জিলাশিংদা ত্রান্সফর থাখ্রে। পুলিস দিপার্টমেন্টনা হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি ১০৭ লাখ ৫০ গী মমল ওইগদবা পোৎলমশিং ফাগৎলে। সি.জি.এস.টিনা লুপা কোতি ৯ লাখ ৮৮, এস.জি.এস.টিনা লুপা কোতি ৮ লাখ ৩, এন.সি.বিনা কোতি অনি লাখ ৬, ইনকম টেক্সনা লুপা লাখ ৮৭, ষ্টেট এক্সাইস দিপার্টমেন্টনা লুপা লাখ

৫০ রোমগী পোৎলমশিং ফাগৎলে।

মীখল হেক হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা কোড ওফ কন্দক্ট থুগায়বগী ৱাকৎ লিশিং ১,২৬৩ লাকখি। মসিগী মনুংদা ৬০০ লোয়শিনখ্রে। ৩৬৪ মখা তানা থিজিল্লি। ইলেক্সন ওফিসনা মীখলগী কোড ওফ কন্দক্ট থুগায়বগীদমক মীরেপ, রাজনিতি দল অমদি মেদিয়া হাউসকী মথক্তা নোটিশ ১১৫ থাখি।

জম্মু অমসুং কাশ্মির বিধান সভা মীখলগী অহুমশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা ঙাকশেলগী থৌরাং কনখৎলে।

তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ৪০ দা ভোট থাদনগনি। সিট ৪০ অসিগী মনুংদা ১৬ না কাশ্মির দিভিজনগীনি অদুগা লেমহৌরিবা ২৪ না জম্মু রিজনগীনি। ভোট মশিং ওক্তোবর ৮ দা থিগনি।

**মেটঃ** বিহারদা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীওই লাখ অমা মখায় হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরে। কোসি অমসুং গন্ধক বরাজতগী ঈশিং থাদোরকপা মরমনা সুপোল, ৱেষ্ট চম্পারন, সিতামারহি অমসুং সিহোর জিলাদা তুরেলশিংগী ইমায় ৱাংনা চেল্লে অমদি লৌনম্বাল কয়া নিংখায়দুনা ঈশিং চেনশিল্লকপা হৌরে হায়রি।

সুপোলগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা হায়-মফম কয়াদা তুরেল লৌনম্বাল কায়দনবা থবকশিং পায়খৎলি। সিহোর জিলাদা বাগমতি তুরেলগী ইমায় কা হেন্না ৱাংলকপদগী মফম কয়াদা তুরেল লৌনম্বাল কায়রে হায়রি।

মরক অসিদা, সিক্কিমদা চহি অসিগী অহানবা উন তাবগা লোয়ননা মেট বিভাগনা রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা রেড এল্লার্ট লাউথোকখ্রে। কুমশি চহিগী ওইনা হান্না পান্নরুবদগী ঙনখৎনা উন তাবা হৌরকপদগী মফম কয়াদা চিং নিংখায়বগী থৌদোকশিং থোক্লে। সিক্কিমদা হৌখিবা পুং খরা অসিদা নোং তাবগী চাং মিলিমিটর ১০২ য়ৌখি হায়রি।

মরক অসিদা, মনিপুরগী মফম খরদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং

চুগনি হায়রি। লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবা রাজ্য অসিগী মফম খরদা নোং চুগনি।

**ফুটবোলঃ** সাফ অন্দর সভেন্টিন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেলদা ঙসি ভারতকা বঙ্গলাদেসকা শান্নরগনি। ভুটানগী কোনুং থিমপুদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ভারতনা নেপালবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখিবনি। অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা বঙ্গলাদেসনা পাকিস্তানবু পেনালতিদা পাঞ্জল ৮-৭ তা থোইখিবনি।

ভারতনা সাফ অন্দর সভেন্টিনগী চেম্পিয়ন ওইবা মঙারক শুরে। মমাং চহিদা বঙ্গলাদেসপু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল লৌখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ফাজিনদুনা থল্লিবা মীতৈ নহা অনিবু অথুবদা থাদোকপীনবা মায়কৈ খুদিংমক্তগী আপিল তৌনরকপগী পাউ অমসুং সি.এমনা সি.এল.পি. লিদর-ও. ইবোবী য়াওনা এম.এল.এশিংগী মীফম পাঙথোকখিবগী পাউনা পাউ চে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ফাজিলহৌবা থোইথোইবা অমসুং থোইথোইগী মরী মখোঙ খঙদ্রি হায়না হুইয়েন লানপাউদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-কুকিশিংনা মীওই অনিদু হোষ্টেজ ওইনা ফাজিল্লগা ইম্ফালগী জেলদা লৈরিবা কুকি ইনমেটশিং চুরাচান্দপুরদা ত্রান্সফর তৌনবা দাবী তৌরকখ্রে হায়না এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা-আমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুটনা এদভান্স থাইরোইদ কেন্সর কেস মায় পাকা লায়েংখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মফম খঙদনা লৈরকখিবা নহা অনিগী ভিদিও সোসিএল মিদিয়াদা থাদোরকখ্রে। সি.এমনা রুল্লিং অমদি ওপোজিসনগী এম.এল.এশিং কৌদুনা ব্রা

তান্নখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা মনিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসনগী চেয়াপার্সন অমসুং তোঙান তোঙানবা লুপশিং উন্নখিবগী পাউনা মনিপুর মেলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মার্ক হাওকিপকা ওন্নসি হায়রকপা নহা অনিগী মরাইবক তন্বা ঙমদ্রে হায়না সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীচম হোষ্টেজ ওইনা থম্বগী থৌওং অসি তেররগী থৌওংনি হায়না এম.পি. বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-নহা অনি মাংখিবা থৌদোক্কী তেকচাক সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাকা পুগদবনি হায়বা কোকোমিগী ৱাফমনা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহা অনি মাঙখিবগী কেস কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রিদা খণ্ডহনখ্রে হায়বা ৱাফম অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি। মীতৈ মশেলগী মরক্তা নম্ফুগী থবক তৌবিগনু হায়না তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা ফোংদোকখিবগী ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-ভারতনা লাউবু মায়থিবা পীদুনা এ.এফ.সি. অন্দর টোইন্তি ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ক্বালিফয়ারগী গ্রুপ (জি) গী অনিশুবা মফমদা লৈরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ননা রাজ্য অসিগী নেসনেল হায়ৱে অমসুং অপিকপা লম্বীশিংদা আইননা য়াদবা মওংদা শাজিল্লিবা চেক পোইন্ট, গেট অমসুং বেরিয়রশিং অসি অথুবা মতমদা লৌথোকপীনবা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্তা আপিল তৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-সি.এম.ঐচ.টি. স্কিমগী মখাদা কোনশিল্লম্বা

বিনিফিটশিং ঙসিদগী অহোংবা লৈরগনি। অরুবা লায়না নত্তনা স্কিম অসিগী কান্নবা মীয়ামদা ঙসিদগী ফংহনবা লেপ্লগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-এফ.সি.আই. গোদাউন্দ মনাক্তা শিদুনা লৈরম্বা হকচাং অদু হিট এন্দ রন কেস ওইগনি হায়না চিংনরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।